**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-03-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুরগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা মীফম অমদা য়েংশিনখ্রে।

মীফম অদুদা নেসনেল হায়ৱেজ এদ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদ (এন.ঐচ.আই.দি.সি.এল) গী ইগজ্কিটিব দিরেক্তর-এম.এস. দেবালসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা নেসনেল হায়ৱেগী প্রোজেক্টশিংগী ফিভম শ্রী দেবালনা রাজ্যপালদা নীংথিনা খঙহনখি। লম্বীগী থবক শুবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদসু মহাকা রাজ্যপালদা নীংথিনা পাউদমখি।

লম্বী শেম্বগী থবক মতম চানা লোয়শিন্নবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা রাজ্যপালনা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা পাউতাক পীখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা সি.আর.পি.এফকী আই.জি. রাজেন্দ্র নরায়ন দাস অমদি অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**কোকোমি (এল)ঃ** মনিপুরগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা থা অসিগী ৮ দগী অশোয় অঙাম য়াওদনা চৎথোক চৎশিন য়াহল্লগনি হায়বা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগী ৱাফমবু কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমী) না তরামা ওকই হায়রি।

ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কোকোমিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-ন্যু দিল্লিদা মনিপুরগী মতাংদা পাঙথোকপা

সেক্যুরিতিগী রিভিয়ু মিটিংদা লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়খিবা ৱাফম অদু য়ামা পুকিং থৌগৎনিংঙাই ওই।

মরক অসিদা, কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) না কেন্দ্র সরকারনা থল্লক্লিবা ৱাফম অসিবু শিংনদুনা নেসনেল হায়ৱেশিং হাংদোকপা য়ারোই হায়রক্লিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মহাকা হায়-হীর অসিগী মতাংদা কেন্দ্র সরকারনা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। কোটুগী ৱাফম অসিনা লম্বী অসিদা কয়া য়ামা অশোয় অঙাম থোক্তনা চৎপা য়াগদগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

**মেমোরেন্দম (এল)ঃ** তোঙান তোঙানবা লুপ ১৫ না পুনশিল্লগা শেম্বা পিপলস প্রোগ্রেসিপ এল্লাইয়েন্স মনিপুরনা ঙসি রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুদা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অসিদা রাজ্য অসিদা মীয়ামনা খনবা পোপুলর দেমোক্রেটিক গভরমেন্ট অমা অথুবা মতমদা লৈহনবা, মনিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রেটি সংবিধানগী চৎন-কাঙলোন মখাদা ঙাক শেনবা, খুল ঙাকপশিং ফাবা পুনবা তৌদবা অমসুং লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিং অথুবা মতমদা মখোয়গী অঙম্বা মতেং পাংবীদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিলহন্নবা হোৎনবশিং য়াওরি।

**মীফম (এল)ঃ** ফিজিকেল ইজ্‌কেসন অমসুং স্পোর্টস সাইন্সকী হৌজিক চৎনরিবা মওং মতৌগী মতাংদা মালেমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম মণিপুর য়নিভর্সিতিগী ওদিটোরিয়মদা হোলদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ হুমি চত্থগদবা থৌরম অসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী ফিজিকেল ইজ্‌কেসন অমদি স্পোর্টস সাইন্স দিপার্টমেন্টনা শিনবনি।

এক্সপ্লোরিং করেন্ট ত্রেন্দস ইন ফিজিকেল ইজ্‌কেসন এন্দ স্পোর্টস

সাইন্সঃ ইনোভেসন্স, চেলেঞ্জেন অমসুং ওপুরচুনিতিজ হায়বা হিরমদা পাঙথোক্লিবা মালেমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ সোসিয়েল সাইন্স রিছার্স নিউ দিল্লিগী শেন্থং মখাদা লক্সমিবাই নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল ইজ্‌কেসন, এন.ই.আর.সি গুৱাহাতিনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর এন. লোকেন্দ্রোনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা শকাইরবা ফিল্মমেকর অমদি পদ্মশ্রী এৱার্দি-অরিবম শ্যাম শর্ম্মাগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা শন্দোকচগনি। হায়রিবা থৌরম অসি এ.আই.আর. ইম্ফালগী য়ু ট্যুব চেন্নেলদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

থৌরম অসি অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা পুথোকপনি।

**চাইল্ড (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেস অমদি ষ্টেট হেলথ সোসাইতি অনিনা শিনদুনা ঙসি জাতিগী নুপীমচাশিংগী নুমিৎ পালন ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টগী লমফেলপাৎতা লৈবা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই.এম.এ) গী হেরিটেজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা নুপা নুপী অনিগী মরক্তা খেৎনবা মীৎয়েং থম্বা অমদি নুপীশিংদা মীরোলদ্রিঙৈ অমদি মীরোল্লিঙৈদা দাইগোষ্টিক টেকিকশিং শিজিন্নবা থিংনবা চল্লাইরিবা-পি.সি.পি.এন.দি.টি. এক্টকী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফেমিলি ৱেলাফিয়ার সাভির্সেসগী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তকুমার সিংহ অমসুং হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: চাম্বো গানমৈ শরুক য়াখি।

**হকশেল (এল)ঃ** উরিষ্যাগী পুরিদা পাঙথোকখিবা ৯ শুবা মীয়ামগী হকশেল অমসুং য়াইফ থৌরাংগী লমদা অনৌবা থৌরাংশিং অমসুং তমজনিংঙাই ওইবা মওং মতৌশিং হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা জাতি থাক্কী নেসনেল সমিটতা নেসনেল হেলথ মীসন-মনিপুরগী মেটরনেল হেলথ দিভিজননা পুথোকপা মীরোলবীশিংগী খুদোল হায়বা ওরেন প্রজেন্টেসনসু খনগৎপদা য়াওরক্লে।

থৌরম অদুদা মনিপুরগী মায়কৈদগী এন.আর.এস.সি.এমগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর-ডা: এম. দিনেস সিংহ, এদভাইজর মেন্টরনেল হেলথ-ডা: মিনা সেরাম অমদি এন.ভি.ঐচ.পি. এন্দ সি.টি.ঐচ.সিগী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-ডা: আর.কে. রোজি শরুক য়াখি।

**পোষ্ট (এল)ঃ** ইন্দিয়া পোষ্টকা মরী লৈনবা মীয়ামগী ৰাকৎ তাননবা অখন্নবা দিভিজন থাক্কী দাগ অদালত, থা অসিগী ১১ গী পুং ১১ তাবা মতমদা ইম্ফালগী হেদ পোষ্ট ওফিসতা ফম্লগনি।

মীয়ামগী মখোয়গী ৰাকৎশিং থা অসিগী ১০ ফাওবদা পোষ্ট নৎত্রগা ই-মেল-এস.য়ু.পি.দি.টি. দোট মনিপুর এদ-দ-রেট জি-মেল দোট কোমদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**দিসা (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট দিবলপমেন্ট কো-ওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতি (দিসা) গী মীফম ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোংদা লৈবা মিণি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মীফম অদুদা আউটর মনিপুরগী এম.পি. অলফ্রেদ কাংঙম আথরনা সভাপতি ওইদুনা জিলা অনি অসিদা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিম অমসুং থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** বেতি বচাউ, বেতি পরাউগী স্কিমনা চহি তরা ফারকপগা মরী লৈননা এম.পি. অলফ্রেদ কাংঙম আথরনা ঙসি চুরাচান্দপুরদা চৎতুনা দি.এল.ওশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। তুংদা, এম.পিনা মোল ভাইফৈদা লৈবা ভি.আর.এফ. তর্ব গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ফুটসাল টুর্নামেন্টকী মেটচশিংসু য়েংখি।

**ককচিং (এল)ঃ** বেতি বচাউ, বেতি পরাউ স্কিমনা চহি তরা ফারকপগা লোয়নননা মীয়ামদা স্কিম অসিগী কান্নবা খঙহন্নবগী থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ককচিং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিবলপমেন্ট সাভির্সেস (আই.সি.দি.এস) কী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসকা খুৎশমদুনা রাচনা চাংদমবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ককচিং জিলাগী ৱাবগাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকপা চাংদমবগী থৌরম অদুদা মহৈরোই ৮০ না শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাগী ওইনা জিলা থাক্কী ওইবা ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৫, থা অসিগী ১৩ দা কোমলাথাবীদা লৈবা সাউথ ইষ্ট মনিপুর কলেজতা পাঙথোক্লগনি। য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা জিলা অসিগী চহি ১৮ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংনা মাই ভারত পোরটেলদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসকী ওফিসার অমদি জৱানশিংনা ২৩ শুবা অসাম রাইফলসকী লৈখিদ্রবা নাইক সুবেদার-পি. শ্রীনিভাস রাওগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। থৌরম অদু ঙরাং ন্যু দিল্লিগী নেসনেল ৱার মেমোরিএলদা পাঙথোকখিবনি।

মহাক ইং ২০১২ গী সেপ্তেম্বর তাং ৯ দা মোইরাং খুনৌ এরিয়াদা মথৌ

তৌরিঙৈদা আই.ই.দি.অমা পোকখায়রকপদা লৈখিদবনি। মসিগা লোয়ননা অসাম রাইফলসনা ইং ১৯৬৬ কী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মিজোরামগী আইজোলদা লালহৌবশিংগী মথক্তা চত্থবা ওপরেসন অমদা লৈখিদ্রবা লেঞ্চ নাইয়ক-খিম বহাদুর থাপ্পাগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী সেলোনদা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা মনিপুর পুলিস অমদি বি.এস.এফকা খুৎশমদুনা ঙসি তেংনৌপল জিলাগী খুদাই খুল্লেনদা একর ৪০ রোম পাক চাউবা জগাদা থারম্বা পোপীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙ তাকহনখ্রে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী সুংদাই খুলদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি অনা লায়েংগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা অকোইবদা লৈবা খুঞ্জাদে ৭৮ রোমনা শরুক য়াখি।

**পিএম** ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকার অসিনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং, শেল থুম অমদি ইন্দষ্ট্রিশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎপদা অহেনবা মীৎয়েং থমলি।

ইমপ্লোইমেন্টকী মতাংদা পাঙথোকপা বজেট পুথোকখ্রবা মতুংগী ৱেবেনার অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিনা য়ামা মরুওইবা পোৎশক অহুম-শিক্ষা, স্কিল অমদি হকশেলদা অহেনবা শেনফম কয়া থাদদুনা ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনরি। হৌখিবা চহি কয়া অসিদা লৈবাক অসিগী শিক্ষাগী ফিভমদা অহোংবা লাকপা কয়া মীয়ামনা উরে। মসিগী মথক্তা প্রাইমারি হেলথ সেন্টরশিংদা টেলি মেদিসিনগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংহন্দুনা অনা লায়েংগী লমদা অচৌবা অহোংবা পুরকপা ঙমলে। কেন্সর লায়না লায়েংবা অমদি দিজিটেলগী খুত্থাংদা পায়খৎপা হকশেলগী খুদোংচাবা কয়া অসিনা লৈবাক অসিগী কাচিন কোইয়া য়ৌনা শন্দোক্তুনা অনা লায়েংগী লমদা হেন্না খুদোংচাহল্লে।

**পঞ্চায়ট** ঃ পঞ্চায়েটি রাজগী রাজ্য মন্ত্রি-প্রোফেসার-এস.পি. সিংহ ভাগেলনা হায়রি-গ্রাম পঞ্চায়টকী মীহুৎশিংনা সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং থবক্তা ওন্থোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রালয়গী মখাদা মোদেল ৱিমেন ফ্রেন্দলি গ্রাম পঞ্চায়ট হন্সিসিয়েটিবকী মীফম ন্যু দিল্লিদা হৌদোকপদা প্রোফেসার  ভাগেননা হায়-পঞ্চায়টকী মীহুৎশিংনা থবক তৌবা মতমদা সরকারনা পীরিবা চৎন-কাঙলোন নীংথিনা ইন্দুনা থবক তৌরকপা অসিনা লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাংদা শিংথানিংঙাই ওইবা ফিভম অমদা লৈহনবা ঙমলে। মসিনা লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাংগী লম্বীদা অওনবা কয়া পুরকপা ঙম্মী।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-হৌজিক্তি লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাংদা নুপীশিংনসু অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমলে। মসিনা লৈবাক অসিবু ইং ২০৪৭ ফাওবদা মপুং ফানা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

**দিসএবল (এল)**ঃ ওল মনিপুর দিসএবল এন্দ হেন্দিকেপ পার্সন্স দিবলপমেন্ট এজেন্সিনা শিনবা মরিশুবা ষ্টেট লেবেল দিফরেন্টলি এবল পার্সন্স স্পোর্টস মিট ২০২৫ ঙসি শিংজমৈ চিংঙামথক্তা লৈবা সি.ৱাই.এল.সি. হাউ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা স্পোর্টস মিট অসিগী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. সনায়াইমা শদোকপম, ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস গারজিয়ান্টস ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি-সৌগ্রাকপম সুমাতি দেবী অমসুং থৌনাওজম চাউবা মেমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্ট শিংজমৈগী মেনেজিং ত্রষ্টি-থৌনাওজম রোমেন শরুক য়াখি।

**হোকি (এল)**ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা লৈবা সিয়ো এসত্রো তর্ব হোকি ষ্টেদিয়মদা চঙ্খরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল লেট থোঙাম ইবোয়াইমা সিংহ

মেমোরিএল মাস্তর হোকি চেম্পিয়নসিপ অমসুং অন্দর ফোরটিন বোইজ এন্দ গালর্সকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সিয়ো অকম্পাৎনা হোকি য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৪-৩ দা, মৈরা বাশিংখোঙনা খোঙমন ষ্টুদেন্টস ক্লবপু পাঞ্জল ১৫-২ দা মায়থিবা পীখি।

**পোলো (এল)ঃ** ৩৭ শুবা এন. হজারি এন্দ ডা: এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্রিপসা পোলো টিম(এ) না অসাম রাইফলস পোল্লো টিম (বি) পাঞ্জল ৫-৪ থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** লমলোং থোংখোংগী আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি মেটচশিংদা-ফুটবোল ক্লব লমজাউনা সাই আর.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা দা এঠলেটিক ফুটবোল ক্লব অমসুং নম্বুল মপাল এঠলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো) পাঞ্জল অনি অনি চন্নদুনা দ্রো ওইখি। লিগ অসিগী হয়েংদগী শান্নগদবা মেটচশিং মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। অনৌবা ফিকসর থা অসিগী ১১ দা থোক্লগনি।